# মমাঙগী প্রাইম মিনিষ্টর অমত্তা অৱাং নোংপোক লমদমদা লাকপা শংখিদে : নরেন্দ্র মোদি

অগরটলা, ফেব্রুৱারি ১৫ (এজেন্সি): মমাঙগী প্রাইম মিনিষ্টর পুম্নমক কা হেন্না মথৌ চিনখিবা মরম্না অৱাং নোংপোক লমদমদা ঙাইহাক্তং ওইরবসু লাক্লবগী মতম ফংখিদে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।



ইটানগরদা অনৌবা সেক্রেটরিএট বিল্ডিং শঙ্গাবগা লোয়ননা দোর্জি খন্দু ষ্টেট কনভেন্সন হৌদোকপা লাকখিবা মোদিনা হায়খি, মমাঙগী প্রাইম মিনিষ্টরশিংনা মথৌ চিনবদগী অৱাং নোংপোক লমদমদা লাকপা ঙমখিদ্রবসু ঐহাক্তি মায়কৈ অসোমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন চৎত্রবদি লৈবা ঙমদে। কুমজা ২০১৪ দা নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখ্রবা মতুংদা মহাক্না অরূনাচল প্রদেশতা অনীরক লাক্লম্লে।

ষ্টেট অসিগী মতাংদা মহাক্না হায়খি অৱাং নোংপোক লমদমদা হিন্দি লোল খ্বাইদগী নীংথীনা ঙাঙবা ষ্টেটতি অরূনাচল প্রদেশনি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না নুমিৎ খূদিংগী হিন্দি লোল ঙাঙনবা মরম্না মরৈবাক নুংশিবগী ইথিল হেনগৎলকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, অৱাং নোংপোক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা নহারোলশিংনা হিন্দি লোল তম্লিংবগী অপাম্বা পোক্লে হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা মরুওইবা থৌরম কয়া অৱাং নোংপোক লমদমদা পাঙথোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

লৈখিদ্রবা মোরাজি দেসাইগী হেক মথংদা নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী মীফমদা শরুক য়াবা প্রাইম মিনিষ্টর ঐহাক ইথন্তনি। অতৈ প্রাইম মিনিষ্টরশিংদি কা হেন্না মথৌ চিনবা মরম্না মায়কৈ অসোমদা লাক্লবগী মতম ফংখিদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মেদিকেল কোলেজ অমগী উরেপ উয়ুং তমখিবা মোদিনা হায়খি, বি জে পিনা লূচিংবা এন ডি এ লৈঙাক্না হ্যুমেন রিছোর্স, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং মোদর্ন টেক্নোলোজিদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা পুথোকখিবা য়ুনিয়ন বজেটতা পঞ্চায়ট খূদিংমক্তা ৱেলনেস সেন্টর অমমম লীংখৎপগা লোয়ননা লৌমীশিংগী মোদর্ন মার্কেট ২২,০০০ শেমগৎপগী ৱাফম য়াওই। লায়রবা মীয়ামগী হকশেলগা মরী লৈনবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবগী ৱাফমসু বজেটতা য়াওই হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। অরূনাচল প্রদেশকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা টুরিজম চাউখৎহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি।

ইটানগরদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিগী টুরিজম চাউখৎহনবগা লোয়ননা মীপূম খূদিংমক মীফম অমদি কনফরেন্স পাঙথোক্লবগীদমক অরূনাচল প্রদেশতা লাক্লবা পাউজেল পীগনি। মীওই কয়ানা হৌজিক দিল্লি অমসুং মুম্বাইদা চৎতুনা মীফম পাঙথোক্লিবা অসিগুম অরূনাচল প্রদেশপু মরুওইবা মীফম পাঙথোকফম ওইনা শেমগৎলগনি।

অৱাং নোংপোক লমদমবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মমাঙদা নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী মীফম য়াওনবগীদমক শিল্লোংদা লাক্লম্লে। এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা য়াম্না মরুওইবা মীফম অমা য়াওনবগীদমক্তসু সিক্কিমদা লাক্লম্লে।

অখন্নবা প্রোজেক্ট অহুম পায়খৎনবগীদমক অরূনাচল প্রদেশতা লাকপনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, হান্নদগী হৌনা সেক্রেটরিএট মথৌ পাঙথোক্লম্বা উবদা হরাওবা পোকই। পূম্নমক অসি ষ্টেট গভর্নমেন্টকী হোৎনজমলনা ওইথোকপা ঙমখিবনি। অনৌবা সেক্রেটরিএট অমা হাংদোক্লগা অরূনাচল প্রদেশকী মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাবা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

মরুওইবা ডিপার্টমেন্ট অয়াম্বা অনৌবা সেক্রেটরিএটতা লৈগদবা মরম্না ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম অমসুং অথাপ্পা খুঙ্গং খুঙ্গংদগী লাকপা মীওইশিংনা তোঙান-তোঙানবা ডিপার্টমেন্ট কয়াদা চৎপগী মহুৎ অনৌবা সেক্রেটরিএটতা লাক্লগা মতম মাঙহন্দনা মশাগী অপাম্বা ফংহন্নবা হোৎনগনি। অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎপদা গভর্নমেন্ট খক্তদা ইন্থোকপা চুমদে। লৈবাক মীয়াম য়াওনা হোৎনমিন্নরবা মতমদা থবক খূদিংমক মায় পাকহনবা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লুপা ক্রোর ১১,৪০০ গী ৱাথোক্তা চেন্নবশিং লেম্না থারোই : পি এন বি




ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৫ (এজেন্সি): পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক (পি এন বি) গী মুম্বাই ব্রাঞ্চতা লুপা ক্রোর ১১,৪০০ অরানবা মওংদা শীজিন্নখিবগী রিপোর্ট ফংখ্রবা মতুংদা বেঙ্ক অসিগী মেনেজিং ডিরেক্টর অমসুং চীফ ইগজেক্যুটিভ ওফিসর সুনিল মেহতানা অরানবা তৌরম্বা মীওই অমত্তা লেম্না থারোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা ইনফোর্সমেন্ট ডিরেক্টোরেট (ঈ ডি) না ঙসি বিলিয়ন্যের ডাইমন্দ ট্রেদর নিরাব মোদিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা ওফিস, সোরূম অমদি ৱার্কসোপশিংদা থিব-হুম্বগী থবক চথুখি। ঈ ডিগী টিমশিংনা মতম অমুক্তদা মুম্বাই, সুরত (গুজরাট) অমসুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা নিরাব মোদিগা মরী লৈনবা মফমশিংদা থিব-হুম্বগী থবক চথুখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অমদা সুনিল মেহতানা হায়খি, মতম শাংনা অরানবা অমত্তা য়াওদনা বেঙ্কিং সিষ্টেমগা মরী লৈনবা থবক পায়খৎতুনা লাকখিবা পি এন বিদা শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক অমা থোরকপসি লাইবক থীবনি। কুমজা ২০১১ দগী অরানবা মওংদা য়াল্লবা শেনফম অমা নারোন্দা লৌথোকখ্রে হায়বা খঙলকখ্রবা মতুংদা রেগ্যুলেটরি এজেন্সি অমসুং লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংদা মতম চানা পাউ য়ৌহনখি।

জন্যুৱারি ২৫ দা অরানবা থৌওং চথুখিবগী ৱাফম হেক খঙলকপগা জন্যুৱারি ২৯ দা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) য়াওনা ইনভেষ্টিগেটিভ এজেন্সি পূম্নমক্তা রিপোর্ট পীখি। বেঙ্ককী কষ্টমর খরনা ঈ মেলগী খুথাংদা অরানবা থৌওং চথুখিবগী ৱাফম রিপোর্ট পীরকখ্রবা মতুংদা ৱাথোক অসি খঙবা ঙমখিবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা ওইরক্লিবা ফিভম অসি কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা থৌরাং তৌখ্রে।

# কুমজা ২০১৭ তা এ এ পিনা এদভর্টিজমেন্টতা লুপা ক্রোর ৮৫.৩ শীজিন্নখি হায়বা আর টি আইগী মতেংদগী খঙলে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৫ (এজেন্সি): হৌখিবা চহী অহুমদা আম আদমী পার্টি (এ এ পি) গভর্নমেন্টনা চহী অমদা লুপা ক্রোর ৭০.৫ এদভর্টিজমেন্ট খক্তদা শীজিন্নখি হায়বা আর টি আইগী মতেংদগী খঙবা ঙমখ্রে।

এ এ পি গভর্নমেন্টনা প্রিন্ট, ইলেক্ট্রোনিক অমসুং আউটদোর এদভর্টাইজিংদা মমাঙগী গভর্নমেন্টতগী শরুক মরি হেন্না চাদিং তৌখি হায়রি। কুমজা ২০১৫ দা লৈঙাক পায়রবা মতুংদা এ এ পি গভর্নমেন্টনা লুপা ক্রোর ৫৯.৯ অহানবা চহীদা এদভর্টিজমেন্ট খক্তদা চাদিং তৌখি। মথংগী চহীদনা লুপা ক্রোর ৬৬.৩ অমসুং কুমজা ২০১৭ কী ডিসেম্বর ৩১ ফাওবদা লুপা ক্রোর ৮৫.৩ হীরম অসিদা শীজিন্নখি হায়না আর টি আই এপ্লিকেসন অমগী পাউখুমদা ডিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি (ডি আই পি) না ফোঙদোরকখি।

কুমজা ২০১৫ গী এপ্রিলদগী কুমজা ২০১৭ কী ডিসেম্বর ফাওবদা এ এ পি গভর্নমেন্টনা এদভর্টিজমেন্টতা চাদিং তৌরিবা শেনফম অসি চাংচৎতা চহী খূদিংগী লুপা ক্রোর ৭০.৫ নি হায়রি। মমাঙদা লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেসনা কুমজা ২০০৮ দগী কুমজা ২০১৩ ফাওবা চহী মঙাগী মনুংদা লুপা ক্রোর ১৭.৪ খক এদভর্টিজমেন্টতা শীজিন্নখি।

ডি আই পিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর অমদি অতৈ মিনিষ্টরশিংগী ফোটোশিং পাউচে কয়াদা ফোঙবগা লোয়ননা টেলিভিজন অমসুং রেদিওদা এদভর্টিজমেন্টকী ওইবা থৌরম শন্দোকই। মসিগীসু মথক্তা মরুওইবা লম্বীশিংগী নাকলদা হোর্দিং কয়া থমদুনা য়াল্লবা শেনফম চাদিং তৌরি।

এ এ পি গভর্নমেন্টনা লৈঙাক পায়রকপা চহী ফারকপগা মরী লৈননা দিল্লিদা ফোঙবা পাউচে অয়াম্বদা লামায় থন্না এ এ পিগী এদভর্টিজমেন্ট ফোঙখি। লৈঙাক পায়রকপা চহী অহুম ফারকপগী মতাংদা এ এ পিনা ফেব্রুৱারিগী অহানবা চয়োল অনীদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং অতৈ মিনিষ্টরশিংগী ফোটো কয়া পাউচে পূম্নমক্তা ফোঙখি। লৈঙাক্না পায়খৎলিবা চাউখৎ-থৌরাং কয়াসু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাউচেশিংগী লামায় থন্না ফোঙখি। খুদম ওইনা কম্যুনিটি টোইলেট শঙ্গাবা, মহৈরোয়শিংদা এক্সিলেন্স এৱার্দ পীবা অমসুং স্কোলরসিপ স্কীমগী এপ্লিকেসন কৌবনচিংবা পাউচেশিংদা ফোঙখি। কোংগ্রেস গভর্নমেন্টকা চাংদম্নদুনা য়েংবদা এ এ পি গভর্নমেন্টনা এদভর্টিজমেন্টতা শেল শীজিন্নবগী চাং চাদা ৩০০ হেল্লে হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# রেপ ভিক্টিমদা কমপেন্সেসন পীবগী মতাংদা সুপ্রীম কোর্টনা এম পি গভর্নমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৫ (এজেন্সি): ফম্লানবীখ্রবী নুপী অমদা কম্পেন্সেসন ওইনা শুপ্নগী লুপা ৬,৫০০ পীখিবগী মতাংদা মধ্য প্রদেশ গভর্নমেন্টপু সুপ্রীম কোর্টনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

এপেক্স কোর্টনা হায়খি, নির্ভয়া ফন্দ স্কীমগী মখাদা সেন্টরগী শেন্থং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মধ্য প্রদেশনা রেপ ভিক্টিম অমদা শুপ্নগী লুপা ৬০০০ তগীনা লুপা ৬,৫০০ খক পীবা হায়বসি নীংবা কায়নিংঙাইনি।

কুমজা ২০১২ গী ডিসেম্বর ১৬ তা লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা থোকখিবা গেংরেপ অমসুং মী হাৎপগী কেস অমগী মতুং তারকপদা সেন্টরনা কুমজা ২০১৩ দা নির্ভয়া ফন্দ স্কীম লাউথোকখিবনি। নুপীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎলিবা গভর্নমেন্ট অমদি এন জি ওশিংদা মতেং পাংবা ওইনা স্কীম অসি লাউথোকখিবনি। জষ্টিস মদন বি লোকুর অমসুং জষ্টিস দিপক গুপ্তগী বেঞ্চ অমনা হায়খি মদুদি নুপী অমগী ইকায়খুম্নববু শুপ্নগী লুপা ৬,৫০০ না লৈবা য়াবা হৌনদে। রেপ ভিক্টিম ১,৯৫১ লৈরিবা মধ্য প্রদেশতা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ভিক্টিম অমমমদা শুপ্নগী লুপা ৬০০০ তগীনা লুপা ৬,৫০০ পীবা হায়বসি অঙকপনি।

সুপ্রীম কোর্টনা রেপ ভিক্টিমশিংদা কম্পেন্সেসন পীবগা মরী লৈননা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পূম্নমক্তগী রিপোর্ট কৌখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২৪ না হৌজিক ফাওবা রিপোর্ট পীখৎলকপা লৈত্রি। কুমজা ২০১২ গী ডিসেম্বর ১৬ তা থোকখিবা দিল্লিগী গেংরেপকা মরী লৈননা নুপীশিংবু ঙাকপী-শেনবীনবগী মতাংদা পীটিসন তরুক সুপ্রীম কোর্টতা ফাইল তৌরকখি। এপেক্স কোর্টনা পীটিসনশিং অদুগা মরী লৈননা মতাং-মতমগী মতুং ইন্না ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা তোঙান-তোঙানবা ডিরেক্সন কয়া পীদুনা লাকখি।

অমরোমদা, দিল্লিগী মফম খরদা অয়াবা য়াওদনা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা এপেক্স কোর্টনা এপ্রিল ২ দা হিয়রিং চথরগনি। লোক সভানা পাস তৌখিবা নেসনল কেপিটেল টেরিটোরি ওফ দিল্লি লোস (স্পেসল প্রোভিজন্স) সেকেন্দ (এমেন্দমেন্ট) বিলগী মতুং ইন্না লোগী ৱাংমদা দিল্লিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎলকখি। হৌজিক ফাওবদা সিটিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা শেমগৎলকপা কম্মর্সিয়ল ইষ্টাব্লিসমেন্ট ১৫০০ রোম সীল তৌশিনখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পীটিসন হিয়রিং চথনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

# ‘ষ্টেট মঙাগী মীখলদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লুপা ক্রোর ১,৫০০ খোমগৎখি’

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৫ (এজেন্সি): কুমজা ২০১৭ তা পাঙথোকখিবা ষ্টেট মঙাগী এসেম্বলি ইলেক্সনদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লুপা ক্রোর ১,৫০০ খোমগৎখিবগা লোয়ননা মীখলদা শুপ্নগী লুপা ক্রোর ৪৯৪ খক শীজিন্নখি হায়না এসোসিএসন ফোর ডেমোক্রেটিক রিফোর্মস (এ ডি আর) কী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।*

*রিপোর্ট অদুনা হায়খি, মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা গোৱা, মণিপুর, পঞ্জাব, উত্তরখন্দ অমসুং উত্তর প্রদেশকী এসেম্বলি মীখলদা নেসনল পার্টি মঙা অমসুং রিজনেল পার্টি ১৬ না মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা শীজিন্ননবা লুপা ক্রোর ১,৫০০ খোমগৎখি হায়বা খঙলে।*

*মীখল অদুদা নেসনল পার্টিশিংনা লুপা ক্রোর ১,৩১৪.২৯ খোমগৎলগা লুপা ক্রোর ৩২৮.৬৬ চাদিং তৌখি। নেসনল পার্টিশিংগী মরক্তা লুপা ক্রোর ১,২১৪.৪৬ খোমগৎখিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না শেল খ্বাইদগী য়াম্না খোমগৎপা পার্টি ওইখি। নেসনল পার্টি মঙানা খোমগৎখিবা অপূনবা শেনফমগী চাদা ৯২.৪ পার্টি অসিনা খোমগৎখিবনি। পার্টি অসিগী সেন্ট্রেল হেদক্বার্টর্সনা লুপা ক্রোর ১,১৯৪.২১ খোমগৎলগা গোৱা য়ুনিটনা লুপা ক্রোর ১৭ খোমগৎখি।*

*অমরোমদা, রিজনেল পার্টি ১৬ না হায়রিবা মীখল অদুগীদমক লুপা ক্রোর ১৮৯ খোমগৎলগা লুপা ক্রোর ১৬৬ মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নখি। রিজনেল পার্টি তরুক্না মীখলদা শেল কয়া য়াম্না শীজিন্নখিবগে হায়বগী মতাংদা ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর ষ্টেটমেন্ট হৌজিক ফাওবা পীখৎলকপা লৈত্রি। পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা পীখৎলকপা ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর ষ্টেটমেন্টতা য়ূম্ফম ওইরগা এ ডি আরগী রিপোর্ট অসি থাদোরকখিবনি।*

*রিপোর্ট অদুনা হায়খি, পোলিটিকেল পার্টিশিংনা শেল, চেক অমদি ডিমান্দ ড্রাফট ওইনা য়াল্লবা শেনফম ফংখি। পব্লিসিটি, ট্রাভেল এক্সপেন্স, মিসিলেনস এক্সপেন্স অমসুং মীরেপশিংদা পীবা শেল হায়না তোঙান-তোঙানবা হেদশিংগী মখাদা চাদিং তৌখিবগী রিপোর্ট ইলেক্সন কম্মিসনদা পীখৎলকখি। নেসনল পার্টিশিংনা পব্লিসিটিদা লুপা ক্রোর ১৮৯.৪৬ শীজিন্নখি। রিজনেল পার্টিশিংগী ওইনদি হীরম অসিদা লুপা ক্রোর ১১১ শীজিন্নখি হায়না এ ডি আরগী রিপোর্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।*

*পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস, নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া - মার্ক্সিষ্টকী ষ্টেট য়ুনিটশিংনা মখোয় মখোয়গী সেন্ট্রেল হেদক্বার্টর্সতগী শেল হেন্না খোমগৎখিবগী থৌওং অদুনি। কোংগ্রেসকী ষ্টেট য়ুনিটশিংনা লুপা ক্রোর ৬২.০৯, নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগীনা লুপা ক্রোর ০.৬১ অমসুং সী পি এমগী ষ্টেট য়ুনিটশিংনা লুপা ক্রোর ০.৪৬ খোমগৎখি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।*

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

***Ref:- Mut. Case No. 185/SDC/IW-L/2018***

Ningthoujam Ishworchandra Singh S/o Noren Singh of Phayeng Nongpok Leikai.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Ningthoujam Ibochou Singh S/o (L) Tamara Singh of Phayeng Awang Leikai.

*-O.P. Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

The 13/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার নিংথৌজম ইবোচৌ সিংহ, পীং মৃ: তাম্রা সিংহ, সাং ফয়েং অৱাং লৈকাইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫৮-অৱাং লাইরেনকাবীগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৬, দাগ নং ২৭ অমসুং এরিয়ানা ১.৭৪০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/3215/16*

# লৈচিল থাংবদগী দিল্লিদা ট্রেনশিং কেন্সেল তৌখ্রে


ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৫ (এজেন্সি): লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা ময়াই ওইরপ চাংদা লৈচিল থাংবদগী ঙসি ট্রেন নিপাল কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ট্রেন ১১ মতম থেংথনা লমথাখ্রে। ইন্দিয়ন রেলৱেজগী চীফ পব্লিক রিলেসন্স ওফিসরনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি ময়েক শেংনা উবা ঙমদবদগী ট্রেন অমা লমথাবগী মতম নৌনা অমুক লেপখি। অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা লৈচিল থাংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরম্বদগী ফিভম খরা ফগৎলকপা তারবসু দিল্লিদা ঙসি ময়াই ওইরপ চাংদা লৈচিল থাংখি।



কেপিটেল সিটিদা ঙসি খ্বাইদগী ইংবগী চাং সেলসিয়স ডিগ্রী ১২ অমসুং খ্বাইদগী শাবা চাংনা সেলসিয়স ডিগ্রী ২৫ ওইখি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নমিৎতসু কা হেন্না ইংবদগী দিল্লিদা ট্রেন ১২ কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ট্রেন মরি নৌনা লমথাবগী মতম লেপখি। অতোপ্পা মফমদগী দিল্লিদা থুংলগদবা ট্রেন ১৩ সু কা হেন্না মতম থেংথনা থুংখি। নুংশিৎ মোৎপগী চাংসু ৱাংখৎলকপা মরম্না মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখি।

ꯈꯪꯍꯟꯕ/খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্নিং হাম্নিং তৌরগা লৈবা, খোঙ শেংনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা মনাংগা লোয়নরকপা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু হন্না হন্না থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্নিং হাম্নিং তৌরগা লৈবা, খোঙ শেংনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা মনাংগা লোয়নরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরকপদা অমাঙথোংদা থুপ্পা-শাবা, পুক্তা মতুম অমা লৈরগা কোইচেন চেনবা, ফিষ্টুলাদা মখুল হুৎলগা নাই চারকপা, নাই অদু ওমখৎলগা চিকপা নাবা, অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলগা য়াম্না হাক্কৎচবা, খুকউ চিকপা, ঙকশম মরি অমদি লেঙজুম চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, অহিং তুম্বা য়াদবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি।



*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal (7 am to 5 pm. 2. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar (6 am to ?) 3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Mon. open).

*থাগৎচরিবা :* **Th. Imo**
*Langmeidong*

*HL-P/510/16*

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

***Ref:- Mut. Case No. 71/SDC/Oinam of 2018***

Leimapokpam Madhubala Devi W/o (L) Ranjit Singh of Irengbam Awang Leikai.

*...... Applicant*

-Vrs-

Late Leimapokpam Ranjit Singh S/o Ingocha Singh of Irengbam Awang Leikai.

*...... O.P. Pattadar*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Oinam, the 13th February, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নম্বর ২৯ ইরেংবমগী পাট্টা নং ২৯৭ (অরিবা), ৫৪২ (অনৌবা), দাগ নং১০৭১, এরিয়া ০.২১ একর চাওবা ইখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা মাগী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তাকোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেশ মখা চথখ্রগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,**
Oinam

*HL-P/562/16*